# কুমজা ১৯৫১গী মতমদগী লমদমসিদা মণিপুরী নুপীশিংনা হোক্কি হায়বা মশান্নসি শান্নবা হৌরকখি

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং**



ঐচ যমুনা দেবী
*(ভেটরান প্লেয়র)*

(ঙরাংগী মখা)

তশেংনা হায়জরবদা, হোক্কি হায়বা মশান্না অসি নুপীগী ওইনদি তম্ফাসনা স্কুলগী মহৈরোয় ঐখোয়না ইহান হান্না মণিপুরদা হৌদোরকখিবনি। হোক্কি ষ্টিক থুঙলবা নুমিৎকাদো ঐহাক নিংশিংজরি। ঐখোয়গীদমক ওজা হেদ মাষ্টরনা থওইনা চেনবীখিবা হোক্কি য়ৌরক্লে হায়বসিদা শান্নবা পামজবা ঐখোয় ময়ামসি পুমলাং লাংখি। মদুদগা নংঙাইখিবদুদি করি হায়গনি। হাফ মতমসিদা স্কুলগী হেদ মাষ্টর হাওবম ওজা ইবোতোম্বীনা শীনবীরগা হান্না হোক্কি শান্নরকপা ওজাশিং কৌথোক্লগা ঐখোয়দা হোক্কি তাকহল্লকখি। অদুবু হাফকী মতমদা ঙাইহাক ঙাইহাক শান্নবদুনদি ঐখোয়দা অপেনবা ওইরকখিদে। মদুগী মখা তারকপদগীদি হোক্কিদা হান্না মমিং খরা লৈরবা ওজা এন কুঞ্জবীহারিবু কোচ ওইনা খল্লগা তাকহল্লকখি। ঐখোয় নুপী হোক্কি শান্নরোয়শিংগী প্রেক্টিস তৌফমসিনা নাগামপাল কংজাবী লৈরক্তা লৈবা এল জনমেঞ্জয় হায়বা অমগী শাংতক তৌবা যুম্ফম অমদা তৌরকখি। হোক্কি বোল থোম্বা, য়ৈবা, চেনবা খোৎপসি মদুদগী তম্বা হৌরকখি। মদুদগী সুম শান্নরকপসিনা চৈরাপ কোর্টকী লম্পাক, মপান কাংজৈবুঙদা মথং মথং চাং নাইনা প্রেক্টিস তৌরকখি। মপান কাংজৈবুংদদি ঐখোয় অঙনবা অয়ুক্তা ঙন্না হৌগৎলগা শান্নরকখি। লেপ্তুনা সুম হোৎনরকপদগী ঐখোয় খরসি হোক্কি শান্নবা খরগীমখৈ হৈরকখি। অসুম্না ঐখোয় তম্ফাসনা স্কুলগী মহৈরোইশিং অসি হোক্কি শান্নবা হৈনরকপদগী নুপী হোক্কিসি মণিপুর ওলিম্পিক গেমসতা য়াওরকখি। মণিপুরদা নুপীনা হোক্কিষ্টিক পায়দুনা শান্নরকখিবসি কুমজা ১৯৫১গী মতমসিদগীনি। হায়রিবা মতমসি ইন্দিয়াগী মফম অমত্তদা নুপীনা হোক্কি শান্নবগী পাউ তাদ্রি। ঐখোয়দি হোক্কিসি মণিপুর ওলিম্পিক গেমসতা কম্পিটিসন তৌনরগনি হায়বদগী ঐখোয়গী ক্লব ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লব হায়বসিদা ঐহাক ইশামক য়াওদুনা শান্নজরকখি। কুমজা ১৯৫১দা ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লবতা য়াওদুনা শান্নখিবা নুপী হোক্কি শান্নরোয়শিং অদুদি মথং শীৎনা থিঙবাইজম ইবেমহল (লেফ ইন), নিংথৌজম মোমোন (সেন্টর হাফ), ঐ ইশামক (সেন্টর ফোরৱার্দ), কে ঐচ তরারানী (হাফ বেক), ওইনাম সরোজলাতা (ফুল বেক), লমাবম বানী (লেফ আউট), এল মনিশংবী (রাইট ইন) এল প্রভাবতি (রাইট আউট), এল মধুমতি (গোল কিপ্পর), এল মীকোই (গোল-কিপর), আর কে সনাতোম্বী .... অসিনচিংবনি।



কুমজা ১৯৫১-৫২ মতমসি মণিপুরদা শান্নবগী ইহৌসি ফজনা লৈরে। নুপী শান্নরোয়সিসু এথলেটিক্সকী অতৈ অতৈগী থারগা নুপী ফনা য়াম্না লৈরে। হোক্কিগী ওইনদি তম্ফাসনা স্কুলগী মহৈরোয়শিং ঐখোয় ময়ামসিনা খায়দোক্লরগা ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লবকী টিম অমা, য়াইস্কুল টাউন ক্লবতা খরা টিম অনী শেল্লগা অহানবা নুপী হোক্কিগী কম্পিটিসনসি কুমজা ১৯৫১ সিদা মণিপুর ওলিম্পিক গেমসতা শান্নখি। অহানবা শান্নবা ওইবনা অহল-লমন ময়ামসিনা ঐখোয়বু পুক্লিং থৌগৎপীখি। স্পোর্টস পামজবা কাংবুনদি ঐখোয়বু য়াম্নসু থাগৎপীখি। মদুগী মখা চথুরকপা ওইনা ওল্লকপা চহী কুমজা ১৯৫২ অসিদদি নুপী হোক্কিগী অনৌবা টিম অনী অমসু থোরক্তুনা পুন্না টিম মরি শুরকখি। টিমশিং অদুদি কাখুলোঙ যুথ ক্লব (কে ৱাই সি) অমসুং ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ই এস য়ু)নি। অতৈ গেমশিংদা খরা খরা শান্নবা প্লেয়রশিং অসি পুনশিল্লগা শান্নবা ঙাক্তনিনা ঐখোয় অমসু অমসু ইখঙ খঙনৈ। মতমদুদা লৈরম্বা নুপী শান্নরোয়সি ৩০/৪০ মুক্তি শুরমগনি।



কাখুলোঙ যুথ ক্লবতা শান্নখিবা ঐনা নিংশিংজবা খরদি লৈশারু কামৈ, লৈমা পাওমৈ, পৌগাইরু গাঙমৈ, অঙৌসনা গোলমৈ, লৈমতোনবী কামৈ, গাঙগুইরু কামৈ অসিনচিংবনি। ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নদা শান্নরকখিবসিদি কয়া নিংশিংবা ঙমদ্রে।

অদুগা, ঐহাক্না কন্না শান্নজরকপা মতমসিদা ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লবকী সেক্রেটরী ওইনা থৌ পুবিরম্বসিনা নাগামপালদগী সনখ্যা আর কে হজ রুসনানি। ক্লবসিগী থৱায় য়াওবা অহল-লমন ময়াম অমসু লৈরম্মী। ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লব হায়বসি মতম অমদদি মণিপুরগী ওইনা স্পোর্টসতা য়াম্না লিঙবা ক্লব অমসু ওইরম্বনি। হৌজিক্তি মমিং ফাওবা তাখিদ্রে।

ঐখোয় মতমদগী লৈরকপা ক্লব ময়াম অমদি হৌজিকফাও মমিং লৈনা হিংলি। অদুবু ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লব হায়বসিদি মমিংবু শুকতা তাখিদ্রে। মুৎথ্রবা ক্লবশিংগী মনুং চনখ্রে। মসিসু নুংঙাইজদে। অমরোমদা, ঐহাক্না শান্নজরিঙৈ মতমদা ক্লব অসিগীদমক শান্নজরকখিবা স্পোর্টস ইভেন্টশিংদি হোক্কি, হর্দল, লমজেল, সোট-পুট অসিনচিংবনি। অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৫১দা মণিপুর ওলিম্পিক গেমসকী সোট-পুট কম্পিটিসনদা ঐহাক্না সেকেন্দ তাখি। ফর্ষ্টনা খুমনলৈমা গোলমৈনা তারগা থার্দনা চিঙাখম প্রমোদানা লৌখি। হায়রিবা মতমসিদা ঐখোয় নুপী শান্নরোয় খরগদি মবুং-মৌপ্পাশিং, ইমুং-মনুং লাক্তুনা ফোটো নম্বা শান্নবগদু কোইশেন শেন্নদুনা য়েঙশিনলৈ। ব্লেক এন্দ হ্বাইটতা নম্বা ফোটোগসি ইমান্নবীশিং অসিনা ঐগীসু রেকোর্দ ওইননবা কোন্নথংদা পীবিরকখিবনি। খরা ইনাক-কৈরাক খুনবা কাংবুগী মচা মশু য়াওরকপসি অমরোমদদি য়াম্না কান্নৈ। ঐগী ওইনা মহৌশা শান্নরম্বগী ফোটোনচিংবা খরা উবা ফঙলিবসি মখোয় খরা য়াওরকখিবা অদুগী মপান্দগীনি।

মথং মথং...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৪

১) ওলিম্পিক্কী ৱাটর পোলোদা ক্লব অমনা গ্রেট বৃটেনগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবদা সনাগী মেদল ফংখি। ক্লব অদুগী মমিং পীয়ু।

২) কুমজা ১৯৫৪দা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা অচৌবা স্পোর্টস অমদা মণিপুরগী ক্লবশিংনা শরুক য়াখি। অয়াম্বা ক্লবশিংদি মমিং ওন্থোক্লগা শরুক য়াখি। মখোয়গী মরক্তা রুপমহল থিয়েটর ক্লবসু অমনি। করম্বা ক্লবকী মহুত্তা থিয়েটর অসিগী মমিং শিজিন্নখিবগে?

৩) করম্বা চহীদগী অসামনা রঙ্গাস্বামী কপ (Rangaswami Cup)তা শরুক য়াখিবগে?

৪) কুমজা ১৯৮৭তা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কনানা ওইখিবগে?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ইন্দিয়াগী নুপীগী সেনিয়র হোক্কি টিমবু ইংলেন্দনা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে



মার্লো, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী)ঃ

ইংলেন্দগী সিটি মার্লোদা ইন্দিয়াগী সেনিয়র নুপীগী হোক্কি টিমনা টুর অমা শান্নরিবা অদুগী ঙসি যুম্বু লৈবাক অদুগা লম্বা তৌনখিবা ৪শুবা মেচ অদু পাঞ্জল ১-৩দা মায়থীবা নংখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী নুপীগী সেনিয়র হোক্কি টিম অসিনা টুর অদুগী অহানবা মেচ অদু ইংলেন্দবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রবা মতুং মখা তানা শান্নখিবা মেচ অনী মথং শীৎনা পাঞ্জল ১-১ অমসুং ০-০দা দ্রো চৎতুনা মায়থীদনা লাকখিবা অদু ঙসি অহানবা ওইনা টুর অসিদা মায়থীবা নংখি।

ঙসিগী মেচ অদুগী হৌরকপদা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা এটেক চথুদুনা ইন্দিয়াগী হাফতা বোল পুশিনবা ঙমদুনা পেনাল্টি কোর্নর অমা ৩শুবা মিনটতা ফংখি। ইন্দিয়াগী কিপর রজনিনা সোট অদু ঙাকথোক্তুনা গোল ওইহনখিদে। অদুবা ৫শুবা মিনটতা ইংলেন্দনা পুশিনখিবা অতোপ্পা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোয় হানা মার্তিননা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াবু ১-০দা মাংজিল থাখি। মেচ অদুগী অনীশুবা ক্বার্টর হৌরকপদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নেহা গোয়ালনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু ফংখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী অনীশুবা ক্বার্টর লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্লবদা মখোয়না ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা চার্লোদ ৱেটসননা ২৯ শুবা মিনটতা পাঞ্জল চন্দুনা মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াবু ইংলেন্দনা পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু ইংলেন্দগী দিফেন্দরশিংনা চেকশিন্না শান্নবদগী পাঞ্জল চলহনখিদে। শান্নবগী অরোইবা ক্বার্টর, মেচকী ৫০ শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী গিজেল এনস্লেনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ইন্দিয়াবু ৩-১দা থোইখি।

## রসিয়াগী উলান উদেদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা মেরি কোম, সরিতানা ইন্দিয়ান টিম্বু লুচিংগদৌরি





ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী)ঃ

রসিয়াগী সিটি উলান উদেদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী টিম্বু এম সি মেরি কোম অমসুং লাইশ্রম সরিতানা লুচিংগদৌরি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী বোক্সিং টিম অদুদা মমিং লৈরবী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন এম সি মেরি কোম অমসুং এক্সপরিএন্স লৈরবী ইন্টর্নেসনল টাইটল কয়া লৌবা ঙল্লবী লাইশ্রম সরিতাগা লোয়ননা অনৌবা ইনখৎলক্লিবা বোক্সর কয়া অমসুং য়াওনা রসিয়ানা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারি।

মশাগী চহী ৩৬শুরবী এম সি মেরি কোম ইন্দিয়াগীতা নত্তনা মালেমগী বোক্সিংগী লমদা ইনখৎলক্লিবা বোক্সরশিংবু পুক্লিং থৌগৎতুনা এম্বেসেদর ওইরিবনি। মেরি কোমনা কিলোগ্রাম ৪৮গী কেটেগরিদা ৱর্ল্ড টাইটল ৬লক লৌবা ঙমখ্রবসু ওলিম্পিক্কী ওইনা লৈরিবা নুপীগী বোক্সিংগী অহৌবা ৱেথ কেটেগরি, কিলোগ্রাম ৫১গী ওইনদি ৱর্ল্ড টাইটল লৌবা ঙমদ্রি।

মরম অদুনা এম সি মেরি কোমনা কিলোগ্রাম ৫১গী কাংলুপ্তা ৱুমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড মেদল লৌননবা য়াম্না কন্না হোৎনরিবনি। মেরি কোমনা কিলোগ্রাম ৫১গী কেটেগরি অসিদা কুমজা ২০১২গী লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী বোক্সিং অহানবা ওইনা মেদল দিসিপ্লিন অমা ওইরকখিবা অদুদা সেমীফাইনেল য়ৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি। মদুগী মতুংদা ৱেথ কেটগরি অদুমক্তদা এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদল ফংখি।

মেরি কোমনা রসিয়াগী ৱুমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী অহানবা রাউন্দ অদু বাই ফংদুনা থা অসিগী ৮দা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল বাউট শান্নগনি, অদুবু ৱেথ কেটগরি অসিগী ওইনা মহাক্না লম্বা তৌগদেরিবা শান্নরোয় অদুগী মশক মমিংদি খংবা ঙমদ্রি।

কিলোগ্রাম ৬০গী কাংলুপ্তা শরুক য়ারিবী লাইশ্রম সরিতানা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ৪শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকপদা অহানবা রাউন্দ অদু বাই ফংদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী মখাতাবা বাউটশিংদা য়াম্না ফজনা শান্নদুনা মেদল ফংনবগীদমক শেম শাদুনা লৈরি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কিলোগ্রাম ৫৭কী কেটেগরিদা শরুক য়ারিবী নীরজ অমসুং কিলোগ্রাম ৫৪দা শরুক য়ারিবা জমুনা বোরোনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৱর্ল্ড ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা মশা-মশাগী করিয়রগী অহানবা ওইনা শরুক য়াদুনা মেদল ফংগনি হায়না থাজবা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিদা শরুক য়ারিবী কিলোগ্রাম ৮১ মথক্কী কাংলুপকী কবিতা চাহল কেটগরি অদুনা বোক্স মশিং য়াম্না লাকখিদবা মরম্না অহানবা বাউট অদু ক্বার্টর ফাইনেল বাউট ওইগদৌরি। করিগুম্বা বাউট অদু মায়পাক্লবদি সেমীফাইনেল য়ৌদুনা মেদল অমদি শোয়দনা ফংলগনি।

ৱর্ল্ড ৱুমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুদি, মঞ্জু রাণি (কেজি ৪৮), এম সি মেরি কোম (কেজি ৫১), জমুনা বোরো (কেজি ৫৪), নীরজ (কেজি ৫৭), লাইশ্রম সরিতা (কেজি ৬০), মঞ্জু বোম্বোরিয়া (কেজি ৬৪), লোবলিনা বোরগোহেন (কেজি ৬৯), সৱিতি বোরা (কেজি ৭৫), নন্দিনি (কেজি ৮১) অমসুং কবিতা চাহল (কেজি ৮১ মথক)নি।

## মৈরাবা, দিঙ্কু অমসুং মঞ্জিৎ য়াওবা ইন্দিয়াগী জুনিয়র টিম জপানগী মখুত্তা মেচ ১-৪দা মায়থীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে



কজান, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী)ঃ

রসিয়াগী সিটি কজানদা লৈবা কজান গিম্নাষ্টিক সেন্টরদা মমাং থাগী ৩০দগী হৌখিবা ২১রকশুবা ৱর্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টনগী মিক্স টিম চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুর মচা মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং, কোন্থৌজম দিঙ্কু অমসুং খ্বাইরাকপম মঞ্জিৎ য়াওবা ইন্দিয়াগী টিম জপাননা মেচ ৪-১দা মায়থীবা পীরম্বদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

লৈবাক ৪৩না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা জুনিয়র মিক্স টিম বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অসি পুন্না গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা রাউন্দ রোবিন ফোর্মেটতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্নবগীদমক গ্রুপরী মকোক ওইননবা টিম খুদিংমক্কী শান্নরোয়শিংনা লম্বা তৌনখি।

পনবা য়াই, কানাদাগী সিটি মার্খামদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ্তা চাইনানা টাইটল লৌদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী পুৱারীদা টাইটল ১৩রক লৌবা ঙমদুনা রেকোর্দ থম্বা ঙল্লিবনি।

ঙসি ইন্দিয়া অমসুং জপানগী টিম্না শান্নখিবা গ্রুপ 'ঈ'গী অরোইবা রাউন্দ রোবিন টাই অদুদা টিম অনীম্মক মমাংদা শান্নখিবা মেচ ৩ মায়পাক্লদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌননবগীলম্বা তৌনখি। অথোইবা টিম অদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমগদৌরিবনি।

ইন্দিয়া অমসুং জপানগী টাই অদুগী অহানবা মেচ অদু মিক্স দবলসকী ওইখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ইসান ভটনাগর অমসুং তনিসা ক্রাষ্টোনা জপানগী কাকেরু কুমাগাই অমসুং এটসুমি মিয়াজাকিগা শান্নরকপদা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৮, ২১-১৮দা থোইদুনা জপানবু মেচ ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা মেচ অদু নুপীগী সিঙ্গলসকী ওইখি। মদুদা ইন্দিয়াগী তস্নিম মির অমসুং জপাগী রিকো গুঞ্জিগা লম্বা তৌনরকপদা গেম অনীম্মক জপানগী শান্নরোয় অদুনা ২১-৯, ২১-১২দা থোইদুনা লৈবাক অনীম্মক মেচ ১-১দা লৈনখি।


ইন্দিয়াগী মৈরাবা লুৱাং অমসুং জপানগী তাকুমা কুৱমোতোনা নুপাগী সিঙ্গলকী লম্বা তৌনখি। অহানবা গেম অদু জপানগী তকুমানা ২১-১৭তা থোইখি। অনীশুবা গেম অদুদা মৈরাবানা ফজবা হেল্লক্তুনা ২১-১৭তা গেম অদু থোইখিবদগী গেম ১-১দা লৈনখি।

অহুম্শুবা অমসুং দিসাইদিং গেম অদুদা মৈরাবা অমসুং তাকুমানা য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরক্তুনা পোইন্ট মুন্নদুনা লৈরকখি। পোইন্ট ২১-২১ ফাওবা মান্নদুনা লাকখ্রবা মতুং থংনবা পোইন্ট অনী জপানগী তাকুমানা লৌখিবদগী ২৩-২১দা অহুমশুবা গেম অদু থোইদুনা জপাননা ইন্দিয়াবু মেচ ২-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

টাই অদুগী মরীশুবা মেচ অদু নুপীগী দবলসকী ওইখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ত্রিসা জোলি অমসুং বর্সিনি বিশ্বনাথনা জপানগী ওসাৱা অমসুং সুজকিগা শান্নবদা ১২-২১, ২২-২৪দা মায়থীদুনা জপাননা মেচ ৩-১দা থোইদুনা টাই অদু লৌখি। অদুগা ৫শুবা ওইনা নুপাগী দবলসকী মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী খ্বাইরাকপম মঞ্জিৎ অমসুং কোন্থৌজম দিঙ্কুনা জপানগী ফুজিসাৱা অমদি কুমাগাইগা লম্বা তৌনরকপদা ১৬-২১, ১৪-২১দা মায়থীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা টুর্নামেন্ট অসিগী মখা তারকপদা ৯শুবা পোজিসন ফঙনবা অতোপ্পা গ্রুপশিংগী ২শুবা তাহৌবা টিমশিংগা মখা তানা লম্বা তৌনগদৌরি।

## ইন্দিয়াগী রোহন বোপনা অমসুং কানাদাগী দেনিস সাপোভালোব জপান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর য়ৌখ্রে



টোকিও, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী)ঃ

জপানগী কোনুং টোকিওদা লৈবা অরিয়াকে কোলিসিয়মদা ঙরাংদগী হৌখিবা রাকুটেন জপান ওপন টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী রোহন বোপান অমসুং কানাদাগী দেনিস সাপোভালোব ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

বোপানা অমসুং সাপোভালোবনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা ফ্রান্সকী ফেব্রিস মার্টিন অমসুং জপানগী য়াসুতাকা উচিয়ামাবু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-৩, ৭-৬, ৭-৩দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা হয়েং ভোপানা অমসুং সাপোভালোবনা ক্রোসিএগী পেয়র ফ্রাঙ্কো স্কুবোর অমসুং নিকোলা মেকতিক্কা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ৱর্ল্ড নম্বর ১ শান্নরোয় ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জেকোবিসতা জপানগী গো সোদাবু ৬-৩, ৭-৫তা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা জপানগী য়োসিহিটো নিসিওকাবু ৬-১, ৬-২দা থোইরম্বা ফ্রান্সকী লুকাস পোলিগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিননা অহানবা রাউন্দদা স্পেনগী পাব্লো কারেনা বুষ্টাবু ১-৬, ৭-৬ (১০-৮), ৬-০দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী অভিনাসনা অনৌবা নেসনল রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা ৱর্ল্ড এথলেটিক্সকী নুপাগী মিটর ৩০০০গী ষ্টিপলচেসকী ফাইনেল য়ৌখ্রে



দোহা, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী)ঃ

কটারগী কোনুং দোহাদা চথুরিবা ইন্টর্নেসনল এমেচর এথলেটিক্স ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী অভিনাস সাব্লেনা নুপাগী মিটর ৩০০০গী ষ্টিপলচেস লমজেলদা ইন্দিয়াগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবগা লোয়ননা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ২৫ শুরবা এথলেট অদুনা মহাক মশামক্না চহী অসিগী মার্চ থাদা ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা ফেদরেসন কপ এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা মিটর ৩০০০দা থমখিবা মিনট ৮:২৮.৯৪গী রেকোর্দ অদু ঙরাং মিনট ৮:২৫.২৩দা চেন্দুনা ইন্দিয়াগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবগা লোয়ননা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অদুগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অভিনাস সাব্লেনা নুপাগী মিটর ৩০০০গী ষ্টিপলচেস কম্পিটিসন অদুগী হিটতা ৭ শুবা পোজিসন তাখি। অদুগা ওভরওল ওইনা ২০ শুবা পোজিসন তাদুনা ফাইনেল য়ৌবগী খুদোংচাবা লৈখিদবনি। অদুবু মহাক্না চেনখিবা হিট অদুদা ইথিওপিয়াগী টাকেলে নিগাতেনা থৎচিন্দুনা থমখিবা অদুনা মরম ওইরগা অনীরক তুখিবা থৌদোক অদুদা এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা প্রোটেষ্ট তৌখিবদগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

আই এ এ এফকী মায়কৈদগী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী থাঙ্গৎলকপা অপিল অদু য়াখিবগা লোয়ননা অভিনাস সাব্লে ফাইনেল য়ৌখি।